# ঐচ পি সী (দি)না মিজোরাম গভর্ণমেন্টকা অমুক হন্না ৱারী শানখ্রে




আইজোল, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
মিজোরাম গভর্ণমেন্ট অমদি মার পিপলস কনভেন্সন-দেমোক্রেট (ঐচ পি সী-দি)গী মরক্তা ৪শুবা রাউন্দগী পিছ টোক চত্থখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা অমুক হন্না ৱারী শানবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে।

গভর্ণমেন্টকা মীহুৎ কাঙবু লূচিংখিবা এদিসনেল সেক্রেটরি (হোম) লালদিয়াকজমানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, নাকল অনী অমনা অমবু থাজনবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা মওংদা ৱারী শানখি।

পোলিটিকেল থাক্তা ৱারী শানবগী ফীভম লাক্ত্রিবা ফাওবা নাকল অনী মখা তানা ৱারী শাননবা য়ানরে হায়না হোম দিপার্টমেন্টকী সিনিয়ার ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মীওই তরুক্না শাবা ঐচ পি সী (দি)গী মীহুৎ কাঙবু অদু লূপ অসিগী ৱার্কিং চ্যেরমেন এল টি মারনা লূচিংখি।

সোর্ছ অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, কুমজা ১৯৯৪গী জুলাই ২৭তা মতমদুগী ঐচ পি সীনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা সাইন তৌনখিবা য়ানচে য়ুম্ফম ওইরগা শিন্দুং হিলস দিভলপমেন্ট কাউন্সীল (এস ঐচ দি সী)দা ওটোনোমি পীবগী ৱাফম লালহৌবশিংনা পুখৎখি। কাউন্সীলগী মমিং এস ঐচ দি সী হায়রম্বদগী শিন্দুং হিলস কাউন্সীলদা ওন্থোকপগী মতাংদসু লালহৌবশিংনা পুখৎলকখি হায়রি।

কুমজা ১৯৯৪দা সাইন তৌনখিবা একোর্ট য়ানিংদবদগী লালমিংথাঙ্গ সনাদেনা ঐচ পি সী (দি) লিংখৎখিবনি। লূপ অসিনা ৬শুবা সেদ্যুলগী মখাদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল তান্দুনা লাকখি।

হৌখিবা দিসেম্বরদা নাকল অনী ৱারী শানখিবদা ঐচ পি সী (দি)গী মীহুৎশিংনা কুমজা ২০১৫গী মার্চ ২৮দা পুলিসতা এন্থুশ তৌরগা লৌখিবা খুৎলাই পূম্নমক হন্দোরকখি। থৌওং অদুগী তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জেলদা লৈরিবা লূপ অসিগী আর্মি চীফ লালরোপিয়া ফামহোট বেলদা থাদোকখি।

মমাঙদা মিজোরামগী হোম মিনিষ্টর আর লালজিরলিয়ানা তোকখায়বা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল শেম্বগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মণিপুরদা বেজ তৌবা ঐচ পি সী (দি)না মিজোরাম অমদি মণিপুরগী শরুক খরা পুনশিল্লগা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট শেম্নবা ৱাফম কয়ারক হন্না পুখৎলকখ্রবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# তমথিবা মওংদা চঙশিল্লকপা খোঙজং লেপহন্নবা পান্থে পুথোরক্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮(এজেন্সী) :
নুঙ লংশিল্লকপগী থৌদোক লেপখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় খূদিংমক্না মহৈ তম্বরোমদা মায় ওনখিবা তারবদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পেলেট গন শীজিন্নহন্দনবা গভর্ণমেন্টতা খঙহনগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।



অমরোমদা, গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়খ্রে মদুদি, ৱাথোক লোইশিল-হন্নবগী মতাংদা শকখঙলবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা ৱারী শাননবা শেম শারে। অদুবু তোকখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা সেপরেটিষ্টশিংগদি ৱারী শানবা ঙম্লোই।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল মুকুল রোহাতগিনা হায়খি, ৱারী শানবদা রিকগ্নাইজ তৌরবা পোলিটিকেল পার্টিশিং শরুক য়াগনি হায়রবদি অকায়বা লৈতে। অদুবু সেপরেটিষ্ট লিদরশিং য়াওহনবা য়ারোই।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি কোকহন্নবগী মতাংদা অনৌবা পান্থে অমা পুথোরক্নবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর হায় কোর্ট বার এসোসিএসনগী লূচিংবশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা চীফ জষ্টিস জগদিশ সিংহ খেহর, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুথ অমসুং জষ্টিস সঞ্জয় কিষণ পোলগী বেঞ্চনা হায়খি, কন্সটিট্যুসনগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা মীয়ামগী ঈহৌ লেপহন্নবা পান্থে অমা পুথোরকপা তারবদি গভর্ণমেন্টতা পেলেট গন শীজিন্নদনবা য়াথং পীগনি।

বার এসোসিএসন্দা মতম পীরদুনা কোর্টনা হায়খি, অহানবদা করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্কদবনি। মদুগী মতুং তারকপদা পেলেট গন শীজিন্নদনবা য়াথং পীগনি। মখা তানা নুঙ লংশিনবগী থৌদোক থোক্লবদি ৱারোইশিন পুরকপদা ৱানা থোক্কনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস (এস এফ)না মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা পেলেট গনগী মহুত্তা প্লাষ্টিক বুলেট ওইনা শীজিন্ননবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক তঙাইফদবা মতমদা পেলেট গন শীজিন্নবগী ৱাফমসু অয়াবা পীগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখিবনি।

প্লাষ্টিক বুলেটশিং হকচাং মনুং ফাওনা চঙদবা মরম্না মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাগনি। হায়রিবা নোংমৈ মরু অসি ইন্সাস রাইফলদা হাল্লগা কাপ্পা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা শীজিন্ননবগীদমক কাশ্মীর তম্পাক্তা প্লাষ্টিক বুলেট লীশিং কয়ামরুম মাঙজৌননা থুংলখ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্টশিং ফানবা থৌরাং লৌখৎপদা মীচম মীয়াম্না অকনবা মওংদা ঈহৌ হৌরকপগা লোয়ননা নুঙ লংশিল্লকপদগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নদুনা লাকখি।

মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা পি এ ভী এ (পেলারগোনিক এসিদ ভেনিলিল এমাইদ) সেল অমসুং পেলেট গন শীজিন্নদুনা লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাদা সুপ্রিম কোর্টনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিনবদা পেলেট গন শীজিন্নবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অনৌবা থৌরাং অমা ওইনা প্লাষ্টিক বুলেট শীজিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

শ্রীনগরদা কোলেজ অনীগী মনাক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অমা এপ্রিল ১৭তা থোকখিবা লৈখ্রে। লাল চোক মনাক্তা লৈবা শ্রীপ্রতাপ কোলেজ মনাক্তা মহৈরোয় খরনা প্রোটেষ্ট রেল্লি চৎনবা থৌরাং তৌরকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিংনবা হোৎনখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি।

# ফাইনান্স মিনিষ্টরদা এলাৱেন্স কম্মিটিগী রিপোর্ট পীশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮(এজেন্সী) :
অথুবা মতমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী অমসুং পেন্সরশিংগী এলাৱেন্স হেনগৎপা য়ানা লৈরে।

ফাইনান্স সেক্রেটরি অশোক লবাশানা লূচিংবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমনা ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিদা এলাৱেন্স হেনগৎপগা মরী লৈনবা রিপোর্ট পীশিনখি। তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন্দা ইমপ্লোয়ীশিংনা খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিবা ৱাফমদি হাউস রেন্ট এলাৱেন্স (ঐচ আই এ) হন্থহল্লক্কদ্রা হায়বগী মতাংদনি।



ফাইনান্স মিনিষ্টরদা পীশিল্লকখ্রবা রিপোর্ট অদু সেক্রেটরিশিংগী ওইবা কম্মিটি অমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন কেবীনেটতা পুথোক্তুনা খন্নরগনি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কম্মিটিগী রিপোর্টতা ঐচ আর এ চাদা ১৭৮ ফাওবগী চাংদা হেনগৎহনবগী ৱাফম য়াওই হায়রি।

অনৌবা থৌরাং অসিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী লাখ ৪৭ অমসুং পেন্সনর লাখ ৫৩দা কান্নবা ফংহল্লগনি।

মমাঙ চহীগী জুন থাদা গভর্ণমেন্টনা ৭শুবা পে কম্মিসনগী রেকমেন্দেসন চৎনহনখ্রবা মতুংদা অশোক লবাশানা লূচিংবা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমা শেমদুনা ঐচ আর এগী মতাংদা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ইমপ্লোয়ীশিংনা ৬শুবা পে কম্মিসনগী মখাদা বেসিক পেগী চাদা ৩০ ঐচ আর এ ওইনা ফংলিবা অসিগী মহুত্তা চাদা ২৪দা হন্থহনবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা লবাশা কম্মিটিদা খঙহনখি। হান্নদগী লৈরক্লবা এলাৱেন্স ১৯৬কী মনুংদা এলাৱেন্স ৫৩ মুথুৎপগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩৬ পুনশিন্নবগী মতাংদসু কম্মিটিদা শীন্নখি।

এ কে মাথুরনা লূচিংবা ৭শুবা পে কম্মিসন্না ক্লাস এক্স, ক্লাস ৱাই অমদি ক্লাস জেদ সিটিশিং মথংশিংনা ঐচ আর এ চাদা ২৪, চাদা ১৬ অমসুং চাদা ৮ ওইহন্নবা ৱাফম পুখৎলকখি।

লবাশা কম্মিটিনা হান্নদগী লৈরক্লবা ঐচ আর এগী চাংদা অহোংবা লৈহন্দবা তারবদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা ফংগদৌরিবা এলাৱেন্সকী চাং অসি বেসিক পেগী চাদা ১৫৭তগীনা চাদা ১৭৮ ফাওবনি।

তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী মতুং ইন্না অহানবা থবক চঙবগা ফংগদবা খ্বাইদগী তাবা থাগী তোলোপ লুপা লীশিং ১৮নি। মরম অদুনা খ্বাইদগী তাবা ঐচ আর এসু চাদা ১৫৭ ওইরগনি।

# আর আর ভত্নগরনা সী আর পি এফকী দি জি ওইনা থৌ পুখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
ছতিসগরদা নক্সলাইটকী এন্থুশতা সী আর পি এফকী জৱান ২৬ লৈখিদ্রবা মতুংদা সিনিয়ার আই পি এস ওফিসার আর ভত্নগরনা ঙসি সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স (সী আর পি এফ)কী অনৌবা দিরেক্টর জেনরেল ওইনা থৌ পুখ্রে।

মশাগী চহী ৫৭ শুরবা ভত্নগরনা লোধি রোদতা লৈবা সী আর পি এফকী হেদক্বার্টরসতা থুংলখিবা মতমদা হৌনবী মতুং ইন্না গার্দ ওফ ওনর পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মতম খরা এক্টিং দি জি ওইনা থৌ পুরকখিবা সুদিপ লাখতাকিয়ানা ভত্নগরদা দি জিগী চার্জ শীন্নখি।




দি জিগী থৌ পুরবা মতুংদা মহাক্না হন্দক্তা ছতিসগরদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙহল্লক্নবা ওফিসারশিংদা য়াথং পীখি। মার্চ ১১দা নক্সলাইটনা চত্থরকখিবা এন্থুশ য়াওনা হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোক খরদা সী আর পি এফকী জৱান ৩৭ শিখিবগী মতাংদা রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়না মকোক থেংবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

ছতিসগরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা তমথিবা মওংদা এটেক চত্থরকখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৮৩ বেটচকী আই পি এস ওফিসার রজিব রাই ভত্নগরবু সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী অনৌবা দিরেক্টর জেনরেল ওইনবা খনখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা কে দুর্গা প্রসাদনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অসি ফুল টাইম দিরেক্টর জেনরেল য়াওদনা লৈরকখিবনি।

খা থংবা ছতিসগরগী সুকমা রিজন্দা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা পেরা মিলিটরি পার্সনেল ২৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা তরেৎ অশোক-অপন নংবা লৈখ্রে। লালহৌবশিংনা এ কে সিরিজকী এসোল্ট রাইফল ১৩ অমদি ইন্সাস রাইফল মঙা য়াওনা স্মার্ট আর্ম ২২; তোঙান তোঙানবা কেলিবরগী কাপথোক্ত্রিবা নোংমৈ মরু ৩,৪২০; এ কে রাইফলগী মেগজিন ৭৫; ইন্সাসকী মেগজিন ৩১; য়ু বি জি এলগী কাপথোক্ত্রিবা মরু ৬৭; বুলেট প্রুফ জেকেট ২২; বাইনোক্যুলর অনী; ৱায়রলেস সেট মঙা অমসুং মেটেল দিটেক্টর অমা পুখিবনি।

মফম অদুদা লন্থী শেন্থগা মরী লৈননা সী আর পি এফকী পার্সনেল ৯০না রোদ ওপনিং পার্টি (আর ও পি) দ্যুটি তৌদুনা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিং ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মফম অদুদা লুমদুনা লৈরম্বা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা সী আর পি এফকী জৱান ২৬ শিরগা তরেৎনা শোকখিবনি।

# টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা লেপ্নবা আপিল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮(এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমদি সাইপ্রসনা টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্তা আপিল তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা কোয়রকখিবা সাইপ্রসকী প্রসিদেন্টপু তরাম্না ওক্লবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হায়দ্রবাদ হাউসতা লূচিংবা অনী উনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, টেররিজমগী চৈথেং ফংলবা লৈবাকশিংগী মনুংদা সাইপ্রসসু অমনি। ইন্দিয়াসু ক্রোস বোর্দর টেররিজম মায়োক্লনবা হোৎনরিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়া অমদি সাইপ্রসনা টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নবা ফিরেপ লৌরে। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু হীরম অসিদা মতেং পাংশিল্লকপা মথৌ তাই।

টেররিজম মায়োক্লবগী মতাংদা লৈবাক অনীনা কোমপ্রিহেন্সিব কন্ভেন্সন ওন ইন্টরনেসনল টেররিজম অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা টেররিজমগী মায়োক্তা মালেম অপুনবগী থৌরাং অমা লৌখৎমিন্ননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# ছতিসগরগী এটেক মাওইষ্টনা চত্থখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮(এজেন্সী) :
সী আর পি এফকী জৱানশিংদা হন্দক তমথিবা মওংদা চত্থখিবা এটেকশিংগী মতাংদা ছতিসগরগী বস্তার রিজনদা লৈবা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা ক্লেম তৌরকখ্রে।

ন্যুজ চেনেল অমদা থাদোরকখিবা মিনিট ১৬ শাংবা ওদিও মেসেজ অমদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাইওষ্ট)গী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগী মথক্তা চত্থরকপা ওপরেসন গ্রীন হন্টকী লমন খুন্থা ওইনা সী আর পি এফকী জৱানশিংদা এটেক চত্থখিবনি। নীংতম ঈহৌদা অপনবা পীনবা হোৎনরক্লবদি লূপ অসিগী খুৎলাই পায়বা পিপলস লিবরেসন গরিলা আর্মি (পি এল জি এ)না সী আর পি এফ অমসুং অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা মখা তানা এটেক চত্থখিগনি হায়রি।



পনবা য়াবদি, এপ্রিল ২৪দা খা থংবা ছতিসগরগী সুকমা রিজন্দা ঙসি মাওইষ্ট লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা পেরা মিলিটরি পার্সনেল ২৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা তরেৎ অশোক-অপন নংখি। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুং ১২.৪৫ তাবদা মাওইষ্টকী অকনবা মফম ওইরিবা বাস্তার এরিয়াগী পুরকপাল অমদি চিন্তাগুফাগী লোন্নবা মফম অমদা নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি। মফম অদুদা লন্থী শেন্থগা মরী লৈননা সী আর পি এফকী পার্সনেল ৯০না রোদ ওপনিং পার্টি (আর ও পি) দ্যুটি তৌদুনা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিং ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মফম অদুদা লুমদুনা লৈরম্বা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্লবদা সী আর পি এফকী জৱান ২৬ শিরগা তরেৎনা শোকখিবনি হায়রি।

দান্তেৱাদাগী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস পি সুন্দরাজনা হায়খি, থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাজিনবগা লোয়ননা অকোয়বদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি, সী আর পি এফকী জৱানশিংনা ঙাইহাক অৱা পোত্থাবা ওইনা ফম্লগা লঞ্চ চারিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা এটেক চত্থরকখিবনি। নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবদা মাওইষ্ট লালহৌবা মঙা শিখি।

দিল্লিগী খোঙচৎতা লৈরম্বা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহনা থৌদোক অদুগী পাউ হেক তাবগা খুদক্তা হল্লক্তুনা রাইপুর মায়কৈ পাংখি। বাস্তারগী ইন্সপেক্টর জেনরেল অমসুং দি আই জি সুন্দরাজনা সুকমাদা চত্তুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কুপ্পা য়েংশিনখি। ঙসিগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা জৱানশিংদা সী আর পি এফকী ৭৪শুবা বট্টালিয়নগীনি। অশোক-অপন নংলবশিংগী মনুংদা ইন্সপেক্টর থাক্কী ওফিসার অমা য়াওরমই।

থা ২গী মনুংদা পেরা মিলিটরি ফোর্স অসিনা খ্বাইদগী চাউনা অশি-অনা নংবা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। হৌখিবা মার্চ ১১দসু মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা সুকমাদা চপ মান্নবা মওংদা সী আর পি এফকী আর ও পি অমদা এটেক চত্থবদা জৱান ১২ শিবা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়াগী ওইবা লালহৌবগী অকনবা মফমশিংগী মনুংদা সুকমাসু অমনি।

# হায়জেক তৌরে হায়না মিপাইনরুরে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮(এজেন্সী) :
জেট এয়রৱেজগী পেসেঞ্জর অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ত্বিটরগী খুত্থাংদা থাখিবা পাউজেল অমনা মরম ওইরগা চাউনা মিপাইবা পোকহনখ্রে।

মুম্বাইদগী দিল্লি ফাওবা পাইগদবা জেট এয়রৱেজগী ফ্লাইট অমা নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরগা জয়পুরদা ওইনা পাইখি। থৌদোক অদুদা মতম মাঙহল্লে হায়বগীদমক খোইশাওনরবা পেসেঞ্জর অমনা মতেং পাংবীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎখি।

নিতিন বর্মা কৌবা মীওই অদুনা প্লেনদা তোংলিবা পেসেঞ্জর ১৭৬কী অৱাবা কোকহনবীনবা অথুবা মতমদা মতেং পাংবীয়ু হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা পাউজেল থারমই।

পাউজেল অদুনা মরম ওইরগা সী আই এস এফ অমদি ব্যুরো ওফ সিবিল এভিয়েসন সিক্যুরিটিনা জেট এয়রৱেজগী প্লেন অদু হায়জেক তৌখ্রবোই নীংদুনা সিক্যুরিটিগী ওইবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

টৈংথাফম/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৰক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3796/06/04-05/05

# অরানবা তৌবা মীওই পূম্নমক লেম্না থারোইদবনি : যোগি অদিত্যনাথ

লখনৌ, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সী) :
ফনা মরুওইবা মীওই ওইবা তারবসু অরানবা তৌরম্বা থোক্লবদি লেম্না থারোইদবনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা পুলিস ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে।



নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৮দগীনা পুং ১১ ফাওবা মীয়ামগী ৱাকৎ তাদুনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়নসু অদিত্যনাথনা সিনিয়ার পুলিস ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

মীয়ামদা মতম চানা মৈ-ঈশিং ফংহন্নবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, খুঙ্গং খূদিংমক্তা নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ৭তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা শোয়দনা মৈ ফংহনগদবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা পাৱর মিনিষ্টর শ্রীকান্ত শর্ম্মানা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দরবু খ্বাইদগী মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী ক্রাইম থোকহন্দনবা পুলিসতা অকনবা পাউতাক পীখ্রে। মরুওইনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবা মীওইশিং কুপ্না শেন্নবগা লোয়ননা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

ষ্টেট কেবীনেটকী মীফমদা উত্তর প্রদেশতা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মপোক নুমিৎ নৎত্রগনা লৈখিদবগী কুমওন নুমিত্তা থারম্বা ছুতি ১৫ কক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লাউথোকপা লৈখ্রে। হায়রিবা নুমিৎশিং অদুদা ছুতি থাবগী মহুত্তা স্কুল অমদি কোলেজশিংদা মশক নাইবা মীওইশিং অদুগী পুন্সি ৱারী মহৈরোয়শিংদা লীদুনা খঙহনগনি।

লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা মীওইশিংগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থারম্বা ছুতি ১৫ কক্লবা কেবীনেটনা ৱারেপ লৌরে। ডা. বি আর অম্বেদকরগী ১২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা অদিত্যনাথনা ছুতি মশীং য়াম্মনবনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়ারদা অকায়বা থোকহল্লকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলদুনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা ফুদ সেম্পলশিং চাংয়েং তৌনবা লেবোরেটরি থম্লগনি হায়না লাউথোকপসু লৈখ্রে।

চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌরিবা মীওইশিং ফাগৎনবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চত্থবা মথৌ তাই। চহী খূদিংগী চীঞ্জাক্কী সেম্পল ১৮,০০০ টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটরি তরুকখক য়ু পিদা লৈবগী মতাংদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫ মক্তা ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরি অমমম শোয়দনা লৈহনগদবনি। মফম কয়াদা চোয়না য়োল্লিবা শঙ্গোমদা পোৎয়ান তৌবা থিংনবগীদমক মোবাইল ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরি শেমগৎনবসু মহাক্না ওফিসলশিংদা খঙহনখি। মনুং-মপান ফাওনা উবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্টরশিংনা ঙাক্না চৎকদবা থৌরাং কয়া উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরিবা মীওইশিং মতম চানা থবক কাহন্নবগী পান্দমদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ব্লোক লেবেল ফাওবদা লৈরিবা ওফিস খূদিংমক্তা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স সিষ্টেম থম্নবা খঙহনখি।